# লোক সভানা আই আই আই টি পল্লিক প্রাইভেট বিল, ২০১৭ পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

পল্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই আই আই টি)শিংদা ষ্টেট্যুটরি ষ্টেটস পীনবগী মতাংদা বিল অমা লোক সভানা পাস তৌখ্রে।

আই আই আই টি ১৫ দা ষ্টেট্যুটরি ষ্টেটস পীবগা লোয়ননা 'ইন্সটিট্যুসন ওফ নেসনল ইম্পোর্টেন্স' ওইনা লাউথোক্লবগী মতাংদা আই আই আই টি (পল্লিক-প্রাইভেট-পার্টনরশিপ) বিল, ২০১৭ পুখৎলকখিবনি।

বিল অসিগী মতাংদা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা হায়খি, অনৌবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা লায়রবা মহৈরোয়শিংগী ফী হেনগৎপগী ৱাফম লৈরোই। লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা চৎনরিবা রিজার্ভেসনগী লো পুন্নমকসু ইন্সটিট্যুটশিং অসিদা চৎনহনগনি।

মেম্বর খরনা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা জাবদেকরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংদগী ফী লৌবা খক্তনা হায়রিবা ইন্সটিট্যুসনশিং অসিগী শেল লাক্লবগী লম্বী নত্তে। রিছার্স গ্রান্ট অমদি প্রোজেক্টনচিংবা শেল লাক্লবগী অতোপ্পা ছোর্স কয়ামরুম লৈরি।

অনৌবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা লায়রবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা অমত্তা মায়োক্লহনবগী ৱাফম লৈরোই। মহৈরোয়শিংনা স্কোলারশিপ লৌনবগী খুদোংচাবা শোয়দনা লৈগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, গুজরাট, হরিয়ানা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা আই আই আই টি ১৫ দা চহী অসিগী সেসন হৌখ্রে। কুমজা ২০১৩-১৪ দা মিং চনখিবা অন্দর গ্রেজ্যুয়েট মহৈরোয়শিং চহী অসিদা পাস আউট তৌরগনি।

লৈবাক অসিগী নহারোলশিং হীরম কয়াদা হৈথোই-শিংথোইরবসু গৃগল নৎত্রগা হ্বাটসএপ্নচিংবা তোঙান-তোঙানবা টেক্নোলোজি শেমগৎনবগী খুদোংচাবা ফংদে। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা গ্লোবেল কম্পেনিশিংনা ইন্দিয়াগী মহৈ-মশিন হৈরবা নহারোলশিং থবক তৌহল্লগা নাকোয়ননা কম্পেনিশিং অদু চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। করিগুম্বা নহারোলশিং অসিনা মশাগী কম্পেনি লিংখৎপা ঙম্লবদি মশা খক্তা কান্নবা নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনসু চাওনা কান্নবা ফংগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা পীনবগী পান্দমদা পুখৎলকপা বিল অসিদা মেম্বর খুদিংমক্না শৌগৎপীবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী আই টি ইন্দষ্ট্রিনা মথৌ তাবা মচাক-মথুম পুন্নমক পুথোকপা ঙম্লবগীদমক আই আই আই টিশিংদা ষ্টেট্যুটরি ষ্টেটস পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মালেমগী আই টি সেক্টরদা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা পল্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপতা অনৌবা আই আই আই টি ২০ লিংখৎনবা ৱারেপ লৌখি। কুমজা ২০১০ গী দিসেম্বর ৭ তা হায়রিবা থৌরাং অদুমক য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু তারবা মতুংদা কোংগ্রেসকী এম পি দিপিন্দর হুদানা হায়খি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীনা আই টি সেক্টরগী মতাংদা লৌখৎলম্বা থৌরাং পুন্নমক অনৌবা লৈঙাক্না খঙশিন্নদবগী থৌওং য়ানিংদে।

# গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইট ২১০ দা আধারগী অকুপ্পা ৱারোল উৎপা থেংনরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ৱেবসাইট ২১০ দা বেনিফিসিয়ারিশিংগী আধার নম্বর অমদি লন্নাইগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং ময়েক শেংনা উৎপা থেংনরে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি পুখৎলকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি পি পি চৌধরিনা হায়খি, য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)না তোঙান-তোঙানবা ৱেবসাইটশিংদা য়াওরিবা আধারগী দেটা লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, মহে তস্ফম লোইশঙ য়াওনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট খরগী ৱেবসাইট ২১০ দা বেনিফিসিয়ারিশিংগী মমিং, লৈফম, আধার নম্বর অমদি অতৈ লন্নাইগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোল কয়া ময়েক শেংনা উৎপা থেংনরে। য়ু আই দি এ আইনা আধারগী দেটা লিক ওইহনখিবা লৈত্রি।

চৎলিবা থা অসিগী ১৩ ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রি অমসুং দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎপা স্কিম ১২৩গী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক তঙাইফদনা আধার নম্বর য়াওদবা য়াদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা তোঙান-তোঙানবা পার্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) পায়রম্বা থেংনবদগী লৈঙাক্না আধার অমসুং পান মরী লৈনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, আধারগা মরী লৈনবা ৱাফম খুদিংমক কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না চীফ জষ্টিশ জগদিস সিংহ খেহরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

জষ্টিশ জে চেলামেশ্বরনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, আধারগা মরী লৈনবা কেস কয়া ফাইল তৌরক্লিবা মীওইশিংনা চীফ জষ্টিশতা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেম্বীনবা তকশিনগদবনি। গভর্ণমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা সোসল বেনিফিট স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক তঙাইফদনা আধার য়াওদবা য়াহন্দবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনশিং হিয়ারিং চথরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জষ্টিশ এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিশ নবিন সিনহাসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, পিটিসিনর অমদি সেন্টরনা চীফ জষ্টিশতা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেম্বীনবা তকশিনগদবনি। আধারগা মরী লৈনবা কেস পুন্নমক কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা অরোইবা ৱায়েল পীবা মথৌ তাই।

জুন ১০ দা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা হায়খিবনি মদুদি, জুলাই ১ দগী হৌনা মীপুম খুদিংমক্না ইনকম টেক্স রির্টর্নস ফাইল তৌবা অমদি পর্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) গী এপ্লাই তৌবদা তঙাইফদনা আধার য়াওহনবা মথৌ তাই।

মিদ দে মিল অমদি দিসএবিলিটিগী পেন্সন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক আধার য়াওহনগদবনি হায়বা তোঙান-তোঙানবা নোটিফিকেসন ১৭ শীংনরদুনা পিটিসনরশিংনা এপেক্স কোর্টতা পল্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা আধার অমদি পর্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) মরী লৈনহন্দবা তারবদি ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ইলেক্টোরেল কোলেজগী মেম্বর ৭৮৮ গী মনুংদা ৪৮৫ না ভেনকায়া নাইদু শৌগৎলি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

ওগষ্ট ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ইলেক্টোরেল কোলেজগী অপূনবা মেম্বর ৭৮৮ গী মনুংদা মেম্বর ৪৮৫ না এন দি এগী মীরেপ এম ভেনকায়া নাইদুদা শৌগৎলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অপূনবা ভোটকী চাদা ৬০ হেনবনা রুলিং পার্টিদা শৌগৎলিবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদা ভেনকায়া নাইদুনা ওপোজিসনগী মীরেপ গোপালকৃষ্ণ গান্ধীবু মায়থীবা পীবা য়াই হায়রি।

বি জে পিগী ছোর্স অমনা হায়খি, ইলেক্টোরেল কোলেজগী অপূনবা মেম্বর ৭৯০ নি। অদুবু বিনোদ খন্না অমদি অনিল মাধব দাবে লৈখিদবা মরম্না ৭৮৮ দা হন্থরকখিবনি।

ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মেম্বরশিংনা ভোট থাধনগনি। অপূনবা মেম্বর ৫৪৪ লৈবা লোক সভাদা এন দি এগী মেম্বর ৩৩৭ লৈরি। রাজ্য সভাগী অপূনবা মেম্বর ২৪৪ গী মনুংদনা রুলিং পার্টিগী এম পি ৭৭ লৈরি। এন দি এদা য়াওদবা পার্টি অহুম- এ আই এ দি এম কে, টি আর এস অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা নাইদুদা শৌগৎকনি হায়না মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈবনা লোক সভাদা নাইদু শৌগৎপা এম পি মশীং ৫৪ হেনগৎলকখি। রাজ্য সভাদনা এম পি ১৭ হেনগৎলকখি।

পার্লিয়ামেন্টকী লাৱর হাউসতা বি জে পিগী অপূনবা এম পি মশীং ২৮১ নি। শিব সেনা, তেলুগু দেসাম পার্টি, লোক জনশক্তি পার্টি অমসুং সিরোমনি অকালি দলগীনা মথংশিংনা এম পি ১৮, ১৬, ৬ অমসুং ৪ নি। রাজ্য সভাদনা বি জে পিগী এম পি ৫৬ লৈরি। টি দি পিগী ওইনদি অপ্পর হাউসতা এম পি ৬ লৈ। শিব সেনা অমসুং সিরোমনি অকালি দলগী ওইনদি এম পি ৩/৩ রাজ্য সভাদা লৈরি।

এন দি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইরিবা এম ভেনকায়া নাইদুনা ঙরাং মীরেপ চে পীশিনবা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা এল কে অদভানি অমদি অতৈ তোঙান-তোঙানবা পার্টি কয়াগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা ভেনকায়া নাইদুনা মীরেপ চে পীশিনখি।

মীরেপ চে পীশিল্লুরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, এন দি এনা শীন্নরকপা থৌদাং পুন্নমক থবক্তা ওন্থোক্লবা শেম শারে। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এনা অমুক হন্না মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ভাইস প্রসিদেন্টকী মীখল থেংননবগীদমক বি জে পিদগী তোকখ্রবা নাইদুনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ইন্দিয়াগী মফম পুন্নমক্তা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনগনি। হৌজিক্তি পার্টি অমত্তদা য়াওদ্রবনিনা পার্টি খুদিংমক্কী মতেং ফংলগনি।

# *মন কি বাট* থৌরমদগী এ আই আরনা লুপা ক্রোর ১০ তানখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা খুদিংগী রেদিওদা ৱা ঙাঙবগী থৌরম 'মন কি বাট' তগী ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর)না হৌখিবা চহী ২গী মনুংদা লুপা ক্রোর ১০ তানবা ঙমখি হায়না লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন রাথোরনা হায়খি, কুমজা ২০১৬-১৭ তা মন কি বাট থৌরমদগী লুপা ক্রোর ৫.১৯ তানবা ঙমখি। কুমজা ২০১৫-১৬ তনা লুপা ক্রোর ৪.৭৮ তানখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা পীবা ৱারোল অসি তোঙান-তোঙানবা লোল ১৮ অমদি দাইলেক্ট ৩৩ দা হন্দোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মন কি বাট থৌরমবু এ আই আরনা ইংলিশ অমদি সংস্কৃট লোলদা হন্দোক্তুনা মীপুম খুদিংমক্তা তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক খল্লগা ইন্টর্নেট অমদি সোর্ট ৱেব (এস দব্লিয়ু) ট্রান্সমিটরগী খূথাংদসু থৌরম অসি শন্দোকখি।

কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ৩ দা হৌদোকখিবা মন কি বাট হায়না মিংথোনবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবগী থৌরম অসি থা খুদিংগী শন্দোক্তুনা লাকখিবনি।

রেদিও প্রোগ্রাম 'মন কি বাট'তা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না লৈবাক অসিদা ভী আই পি হায়বা ৱাহৈ অসি মুখৎলগা ঈ পি আইনা মহুৎ শীনগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ঈ পি আই হায়বদি এভরি পার্সন ইজ ইম্পোর্টেন্ট হায়বনি। সেন্টরনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মীওই ক্রোর ১২৫মক মগুণ লৈবা অমসুং মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি। রেদ বিকনবু ভী আই পি কলচরগী সিম্বল অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা মীওই খরনা থৌওং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তাননা এল ও সীদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা শোকখিবা জে সী ও লৈখিদ্রে

জম্মু, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

পাকিস্তাননা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অশোক-অপন নংখিবা জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর (জে সী ও) অমা লৈখিদ্রে।

দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, পূঞ্চ সেক্টরদা পাকিস্তানি আর্মিনা অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুদা সুবেদার সশি কুমার কৌবা জে সী ও অমা অশোক-অপন নংবদগী কম্মান্দ হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবনি। লৈখিদ্রবা লান্মী অদু হিমাচল প্রদেশকী হমিরপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা গেলোন খুঙ্গংদগীনি হায়রি।

পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা ঙসিসু নাওগাম সেক্টরগী এল ও সী মনাক্তা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। অদুবু থোইদোকপা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে হায়না আর্মি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বরামুলা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা য়ুরি এরিয়াগী এল ও সী মনাক্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লান্মীশিং নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা নুপী অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

পাকিস্তাননা য়ুরিগী দার্দকোট এরিয়াদা অকনবা মওংদা মোর্টার অমদি ওটোমেটিক ৱেপন শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখি। থৌদোক অদুদা সকিলা বেগম (৪৫) কৌবী নুপী অমা মোর্টার সেলগী মচেৎনা পানবদগী শোকখি। শোক্লবা নুপী অদু য়ুরিগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা মখা তানা লায়েংলুনবগীদমক শ্রীনগরদা পুখ্রে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতসু লাইবক থীবা থৌদোক অমদা পাকিস্তাননা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী এল ও সীদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আর্মি জৱান অমা অমসুং চহী ৮ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা শিখ্রবনি।

পূঞ্চ অমদি রাজোরি দিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্তান আর্মিনা বোর্দর পোষ্ট তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নাইক মুদাসর অহমদ অমদি নুপীমচা অদু শিখিবনি। থৌদোক অদুদা ফিরদোস অহমদ কৌবা জৱান অমসু অশোক-অপন নংখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, এল ও সীদা পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়ন আর্মিনসু চপ চাবা মওংদা খূৎ হন্নবগী রাইট লৈ। য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী সিনিয়র মিলিটরি কম্মান্দরশিং মীফম পাঙথোক্তুনা ঙমখৈদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

পাকিস্তান আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক তোয়না থোকখিবগা মপা চান্নবা লৈবাক অনীগী আর্মি কম্মান্দরশিংনা টেলিফোনদা মিনিট ১০ রোম ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

# দোক্লামদা মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনিজ আর্মিনা টিবেটতা মিলিটরিগী পোৎলম কয়ামরুম পুশিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :

দোক্লামগী মতাংদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনানা মিলিটরিগী পোৎলম কয়ামরুম টিবেটতা পুশিল্লকখ্রে।

চাইনাগী ৱেষ্টর্ন থিএটর কম্মান্দনা মিলিটরিগী পোৎলমশিং অদু অৱাং থংবা টিবেটতা পুশিল্লকখিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী ছোর্স পল্লদুনা হোং কোংদা বেজ তৌবা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, দোক্লামদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী অকনবা মওংদা মুক্নবগী থৌদোক থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা চাইনিজ মিলিটরিগী পোৎলম কয়া টিবেটতা পুশিল্লকখ্রে। পি এল এগী টিবেট মিলিটরি কম্মান্দনা মশীং য়াম্লবা লানগী পোৎলমশিং ঙমখৈ তম্না পুশিল্লকখিবনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়া অমদি চাইনানা দোক্লামগী মতাংদা ৱারী শানরগা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখ্রে। পাউগী মীফম অমদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপার্সন হিদর নোর্টনা হায়খি, ৱাথোক হেন্না চাউথোরক্তিঙৈদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা ৱারী শানরগা অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরক্কদবনি।

দোক্লামদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্নবদগী থোরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংগা উন্দনুা খন্ন-নৈনবা লৈখ্রবনি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, এক্সটর্নেল এফের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কোংগ্রেস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পার্টি ১৪গী লুচিংবশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী এম পি রাজামোহোন রেদ্দিনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, হৌজিক-হৌজিক দোক্লামদা চাইনাগা মুক্নবগী থৌদোক অসি অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরক্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীরক্লে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ওপোজিসননা লৈঙাক্কী মায়কৈদা চপ চানা লেপ্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা কোংগ্রেস, বি জে পি, এ আই এ দি এম কে, দি এম কে, জনতা দল য়ুনাইটেদ, তৃণমূল কোংগ্রেস, সী পি আই (এম), বহুজন সমাজ পার্টি, টি আর এস, সমাজৱাদি পার্টি, ৱাই এস আর কোংগ্রেস, এল জে পি, শিব সেনা অমসুং টেলুগু দেসামনচিংবা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

সিক্কিম সেক্টরদা থোরক্লিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা দোক্লামদগী লান্মী লৌথোকপা মথৌ তাই হায়না চাইনানা অমুক্কা হন্না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনবা কয়া য়াশিন্নবা পুরকখি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন গেং সুৱাংনা হায়খি, ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা হন্দক দোক্লামদা লোন্না চঙশিল্লকপগী থৌওং অসিগা মমাঙদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী উংখৎনখিবগী থৌদোক্কা খেন্নবা কয়া লৈ।

## ꯃꯥꯡ/REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate of Hr. Sec. Examination bearing Registration No. 9471 of 2016 issued by COHSEM on the way between Lalambung and Kwakeithel on 10/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Joy Jeet Singh Waikhom**
Lalambung Takhellambam Leikai,
☎ 9856107552

HL-P/2213/20

## ꯃꯥꯡ/SMART CARD LOST

I have lost my Smart Card of Maruti A-Star VXI (Silver colour) bearing Regn. No. MN01X-9209, Engine No. KLOBN1050536, Chassis No. MA3EPDE1S00150394 issued by DTO Imphal West on the way between Koirengei and Thangal Bazar on 15/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Namoijam Komol Meitei**
Khonghampat, ☎ 8575773800

HL-P/2216/20

ꯁꯅꯥꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ

## GOLDEN OPPORTUNITY

Join fast growing International Health Industry.

- Earn upto Rs. 50,000/- P.M.
- Life time Free Registration.
- Independent Business.
- No time bound.
- Male/Female above 18 years.

If you are interested and dedicated then-

**Call 08136058410**

HL-P/2219/20

[illegible]

## ওজা এম ভি রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মতম কুইনা নাদুনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিজৌ য়াম্না চৎপা, ফম্বী শোনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা সৌজ নাম্বা, নাম্বা সৌজ অদু অমুক হনগৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, অমাঙথোং ময়াদা মরেং-মরেং চৎপা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরদা চিকপা-নাবা, লেঙজুম অমদি ঙকশম মরীদা চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযুম** ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩ দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Minuthong Opposite Kekrupat Near Three Star Palace. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar, 3. Moreh No.-2 Gate.

*থাগৎচরিবা ঃ* **MD. MATALIP**
Kwakta

HL-P/1979/03/7-12/08

ꯄꯤꯅꯦꯀꯜ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

## PINNACLE ACADEMY

**Lilong Kaleikhong Crossing Road, Tolenkhun**

হৌখিবা নুমিৎ খরা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা স্কুল ছুটি লৈরুরবা মতুং থা অসিগী ২২, থাংজ নুমিৎতগী মহৌশাগুম স্কুল অসিগী ক্লাস ফজনা তৌরগনি। মরম অসিনা স্কুল অসিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপানা অঙাংশিংবু স্কুল কাহনবীরক্লবা নীংশিংজরি।

*Sd/-* **Tajnara Begum**
Co-ordinator, Pinnacle Academy

HL-B/4026/20

## ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ/WANTED

**A MALE WARDEN CUM ASSISTANT TEACHER OF LEISHEMBA MAHEIKOL, KANGLA-CHINGAREL**
(Imphal-Ukhrul Road, 10 Km. from Imphal)

**Qualification : Any Graduate (Fluent in English)**
**Pay : Rs. 8,000/-**
**(Negotiable)+EPF+Incentive+Fooding & Lodging)**
**Date of Interview : 23rd July, 2017 (Sunday)**
**Time : 10:00 a.m.**

*Sd/-* **Rengneisel Saiphu**
**Chief Warden**
**Contact No. 7085509200**

HL-P/2205/19&20

## ꯃꯥꯡ/ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of Class XI bearing Roll No. 940 of 2011 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur (COHSEM) on the way between Thiyam Konjin and C.C. Hr. Sec. School on 05/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Chanam Shitaljit Singh**
Thiyam Konjin Warok Leikai,
☎8787789810

HL-P/2218/20

[illegible]

## POST VACANCY

Under the Society Act,
Regd. No. 1062/SR/1990

| SL. No. | Post | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Executive Officer | 6 | X - Graduate | 7,000 |
| 2. | RO/SO | 8 | X - Graduate | 6,000 |
| 3. | Agent | 4 | NA | 10,000 (can earn) |
| 4. | Security | 5 (M/F) | VIII | 8,000 |

Date of Interview : 22/07/2017 Last date of form submission : 21/07/2017

**LOTTERY CUM TENDER (Stop Payment)**

2nd Phase গী Draw অহুম (৩) চৎখ্রে।
Lottery Amount : 3 lakhs (Limited seat খরগী Form থাজরি )

*Visit at* **DYNAMIC TRANSFORMATION SOCIETY, MANIPUR**
Keishampat Junction, Big Media Building, Near Manipur Rural Bank.

*For further information, Please Contact :* 8794358759

HL-B/3992/17-21

## SANGAI TUTORIAL

*Kwakeithel near Imphal College (Childrens' Ideal High School, Imphal)*

[illegible]/ADMISSION OPEN (BOSEM & COHSEM)

CLASS X (2nd BATCH)
*Class Commencing on 5 June 2017*

CLASS XI Sc. (1st BATCH)
*Class Commencing on 26 June 2017*

CLASS XII Sc.(2nd BATCH)
***Class Commencing on 5 June 2017***

Class Timing 5.am to 7.30.pm and the 4.30.pm to 7.30.pm

***For more details #7629855465 / 9615784302***

HL-B/3922/8-1 AUG. (ALT.)